# এস সি ইষ্ট বেঙ্গলগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংখিবদগী হায়দরবাদ এফ সি পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবদা লৈখ্রে

**13th Feb, Saturday (92nd Match)**
**Chennaiyin FC**
**vs**
**FC Goa**
**Time : 7:30 PM**



*এস সি ইষ্ট বেঙ্গলগী গোল কিপরনা হায়দরবাদ এফ সিগী হেদিংগী বোল অমা ঙাকথোকখিবা*

বম্বোলিম, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি বম্বোলিমদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৯১শুবা মেটচতা হায়দরবাদ এফ সিনা এস সি ইষ্ট বেঙ্গলগা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংতুনা হায়দরবাদ এফ সি টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

হায়দরবাদ এফ সি মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ১৬তা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা ৪শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা এস সি ইষ্ট বেঙ্গল মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ১৬তা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ১০শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। টিম অসিনা ঙসিগী মেটচ অদুদা মায়পাক্কুনা থাক ৱাংখৎনবগী ৱাখলগা লোয়ননা শান্নরকখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা মণিপুরগী এস অজিৎকুমার মৈতৈনা রেফরি ওইখি।

এস সি ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং হায়দরবাদ এফ সিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা য়াম্না মান্না শান্নরকখিবা মরম্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ১৪ চংশিল্লকখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা এস সি ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী ব্রাইট ইনোবাখরেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি অদুগা ৯০শুবা মিনটতা হায়দরবাদকী অরিদেননা পাঞ্জল হন্দোক্লগা ১-১দা দ্রো চংখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 16 | 10 | 4 | 2 | 25 | 11 | 14 | 34 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 16 | 10 | 3 | 3 | 22 | 10 | 12 | 33 |
| 3 | Hyderabad FC | 17 | 5 | 9 | 3 | 21 | 17 | 4 | 24 |
| 4 | FC Goa | 16 | 5 | 8 | 3 | 24 | 19 | 5 | 23 |
| 5 | Northeast United FC | 16 | 5 | 8 | 3 | 21 | 20 | 1 | 23 |
| 6 | Jamshedpur | 17 | 5 | 6 | 6 | 16 | 19 | -3 | 21 |
| 7 | Bengaluru FC | 17 | 4 | 7 | 6 | 19 | 21 | -2 | 19 |
| 8 | Chennaiyin FC | 17 | 3 | 8 | 6 | 11 | 17 | -6 | 17 |
| 9 | East Bengal Club | 17 | 3 | 8 | 6 | 15 | 22 | -7 | 17 |
| 10 | Kerala Blasters FC | 17 | 3 | 7 | 7 | 22 | 29 | -7 | 16 |
| 11 | Odisha FC | 16 | 1 | 6 | 9 | 16 | 27 | -11 | 9 |

# ৩১শুবা ষ্টেট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী টিম চেম্পিয়ন থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস):

হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাঙ-তা শঙলেন্দদা থা অসিগী ৭তগী ঙসি ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩১শুবা ষ্টেট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী চেম্পিয়ন থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা ফংখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতগী পূন্না নুপামচা থাঙ-তা শান্নরোয় ৪৩৭ অমসুং নুপীমচা শান্নরোয় ২৪৬ লোয়ননা ওফিসল ৭৬ য়াওনা চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোরকখিবনি। থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা গোল্ড মেদল ১৬, সিলভর ১০ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ ফংলগা পূন্না মেদল ৩৫ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। অমরোমদা, ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন মোইদাংপোকনা গোল্ড মেদল ১৭, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ ফংলগা পূন্না মেদল ২৬ ফংদুনা রন্নর্স অপ তাখি। অহুমশুবা অদুনা পহুলাসি ময়াইকোইবীনা গোল্ড ৮, সিলভর ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ১০ ফংলগা পূন্না মেদল ২৭ ফংলগা পোইন্ট ৮৭ ফংখি।

ঙসি চেম্পিয়নশিপ অসিগী লোইশিনবা নুমীৎকী তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র বোইজকী থাঙলোন খোঙলোন-খুৎলোনদা থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোম এল বোরিশ শর্ম্মানা গোল্ড মেদল ফংখি। ইভেন্ট অদুগী সব-জুনিয়র গর্লসতা ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন মোইদাংপোক্কী ঐচ য়াইফবীনা গোল্ড মেদল লৌখি। ইভেন্ট অদুগী জুনিয়র বোইজদা মোইদাংপোক্কী এম বিরবলনা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুগা জুনিয়র গর্লসতনা য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী ৱাই দয়ারানীনা গোল্ড মেদল ফংখি।

ইভেন্ট অসিগী সিনিয়র ৱিমেন্সকীদা এম এ টি এ এম খুরাইগী ঐচ বিদ্যলক্ষ্মীনা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুগা সিনিয়র মেন্সকীনা থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী ৱাই খাগেম্বনা গোল্ড মেদল লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থাঙ হাইবা ইভেন্টকী সব-জুনিয়র বোইজদা ইরোম মৈত্রাওগী সঙ্গিট নাটক কংলৈ থাঙ-তাগী সেনগোইসন লাইরেঞ্জমনা গোল্ড ফংখি। সব-জুনিয়র গর্লসতা উচেক্কোনগী এম এল কে টি টি সী এস এসকী দল্লিয়ু অয়াইলৈমনা গোল্ড মেদল লৌখি। লোয়ননা সব-জুনিয়র বোইজকী কাঙলূপ্তা য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী থাঙ-তা মহৈকোলগী দিজেন সগোলশেমনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। জুনিয়র গর্লসতা মোইরাংগী থোইবী থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী ঐচ সিলভিয়ানা গোল্ড মেদল লৌখি।

সিনিয়র মেন্সতা খুরাইগী এম এ টি এ এমগী এল বিজেন্দ্রোনা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুগা মফম অদুমক্কী এল সপনানা সিনিয়র ৱিমেন্সকী গোল্ড মেদল ফংখি।

তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিংগী বেষ্ট ফাইটরগী মনা ফংখ্রবশিং অদুদি সব-জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অমদা ঐচ প্রিয়োব্রতা লুৱাং, সব-জুনিয়র গর্লসকীদা নন্দিতা থিয়াম, জুনিয়র বোইকী ফুনবা অনীশুবদা এম থোইসনা, জুনিয়র গর্লসকী ফুনবা অনীশুবদা কে থাজ চনু, লোয়ননা সিনিয়র মেন্সকী ফুনবা অনীশুবদা ঐচ মঙাললৈবা মীতৈ অমসুং সিনিয়র ৱিমেন্সকী ফুনবা অমগীদা এল সোফিয়া চনুনি। অমরোমদা, টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী থাঙ-তা মহৈকোলগী কোচ হুইদ্রোম কিরনকুমারনা বেষ্ট কোচকী মনা ফংখি।

# মেরি কোম অমসুং কৌশিক বোক্সম ইন্টরনেসনলদা শরুক য়ারগনি





কোলকাটা, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইখ্রবী এম সী মেরি কোম অমদি ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা মনিশ কৌশিকনা চহী অমরোমগী মতুংদা স্পেনগী কাষ্টেলোনদা পাঙথোক্কদৌরিবা বোক্সম ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি।

এম সী মেরি কোম দেঙ্গী নাবদগী ফগৎলকখিবনি। অমরোমদা, মনিশ কৌশিক ওপরেসন অমা তৌরুবা মরম্না রিহেবিলিটেসনদা লৈরুরবা মতুং হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন টুর অদু শান্নরোয় অনীমক শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

মখোয় অনীনা ইকোন কোন্না শরুক য়াখিবা ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদি কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদা জোর্দানগী সিটি অমানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং বোক্সিং টুর্নামেন্টদনি।

স্পেনদা চহী অসিগী মার্চ ১দগী হৌরগা ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা বোক্সম ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা মেরি কোম অমদি মনিশ কৌশিকতা নৎতনা অতোপ্পা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি নুপাগীদা অমিট পনঘল (কেজি ৫২), মহমদ হুসামুদ্দিন (কেজি ৫৭), বিকাশ ক্রিসন (৬৯), অসিশ কুমার (কেজি ৭৫), সুমিট সংৱান (কেজি ৮১), সঞ্জিৎ (কেজি ৯১) অমসুং সটিশ কুমার (কেজি ৯১ মথক)নি। নুপীগীদা সিমরনজিৎ কোর (কেজি ৬০), লোভলিনা বোর্গোহেন (কেজি ৬৯), পুজারানী (কেজি ৭৫) অমসুং কেজি ৫৭তা মনিশা মোন অমদি জস্মিননি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা বলগেরিয়াগী সিটি সোফিয়াদা ফেব্রুৱারী ২১দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৭২শুবা ষ্টান্দিয়া ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি নুপাগীদা দিপক (কেজি ৫২), কাবিন্দর সিংহ বিষ্ট (কেজি ৫৭), নবিন বুরা (৬৯), অনকিট খাটানা (কেজি ৭৫), সচিন কুমার (কেজি ৮১), নবিন কুমার (কেজি ৯১) অমদি মঞ্জিৎ সন্ধু (কেজি ৯১ মথক)নি। নুপীগীদা জ্যোটি (কেজি ৫১), সাক্সি (কেজি ৫৭), সশি চোপ্রা (কেজি ৬০), ললিতা (কেজি ৬৯) অমদি ভাগ্যবতি কসারি (কেজি৭৫)নি।

# অহানবা অম্ফা কপ ২০২১গী লম্বা তৌনগদবা লিষ্ট থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনননা শীন্দুনা শৈখ বাবুমচা মেমোরিয়ল ট্রষ্টনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা অম্ফা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১দা লম্বা তৌনগদৌরিবা টিমশিংগী লিষ্ট থোকখ্রে।

পূন্না টিম ১০না লম্বা তৌনগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা গ্রুপ অনী থোক্লা টিম ৫/৫না শান্নগদৌরি। গ্রুপ এদা দল্লিয়ু এ এফ এ ৱাঙ্গোই, এফ সী লমজাও, এল ৱাই জি এস ঈ দি এ লোনপি এরিয়া, কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই, এন ঈ এস য়ু খুরাই অমসুং জে এস ৱাই সী কাংপোকপীনি। গ্রুপ বিদা ট্রুগপু নম্বোল, এল ৱাই সী সী চান্দেল, এস ৱাই এম আর ও পি আই এ চুড়াচান্দপুর, অমোফা মোইরাং অমসুং আর এ য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকাইনি।

টুর্নামেন্ট অসি খুরাই লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১৭তগী হৌগদৌরিবনি। অহৌবা নুমীৎতা দল্লিয়ু এ এফ এ অমসুং জে এস ৱাই সী লম্বা তৌনগনি।

ফেব্রুৱারী ১৮গী অহানবা মেটচতা এফ সী লমজাও অমসুং নেসু খুরাই লম্বা তৌনগনি। নুমীৎ অদুগী অনীশুবা মেটচতা এল ৱাই জি এস ঈ দি এ অমদি কে ৱাই ভি ও শান্নগনি। ফেব্রুৱারী ১৯গী অহানবা মেটচতা ট্রুগপু অমসুং অমোফা শান্নরগা নুমীৎ অদুগী অনীশুবা মেটচতা এল ৱাই সী সী অমদি চুড়াচান্দপুরগী সিমরোপিয়া শান্নগনি। ফেব্রুৱারী ২০দা ৱাফা অমদি নেসু লোয়ননা জে এস ৱাই সী অমদি কে ৱাই ভি ও থেংনগনি। অদুগা ফেব্রুৱারী ২১দা রাও অমসুং সিমরোপিয়া শান্নরগা ট্রুগপু অমদি এল ৱাই সী সী লম্বা তৌনগনি।

অতোপ্পা অম্ফাগী মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৪দা খুমন লম্পাক্তা লৈবা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা রেফরিজ ফিটনেস টেষ্ট অমা পাঙথোক্কদৌরি। চেরোল অদুগী মতুংইন্না মমাংদা পাঙথোকখিবা ফিটনেস টেষ্টতা য়াওহৌদবা রেফরিশিংনা নুমীৎ অদুগী অয়ুক পুং ৬.৪৫ তাবদা রিপোর্ট তৌরবা মতুং পুং ৭কী টেষ্ট অদুদা শরুক য়ারনবা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

# কম্মান্দো এফ সী, ৱাই এস এম সী অমসুং এস ৱাই দি এ মখোয় মখোয়গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা ক্বার্টর য়ৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস):

পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা পোরোম্পাৎতা লৈবা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবকী শান্নবুংদা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল (লেট) ইমা সারা বিবি মেমোরিয়ল স্পোর্টস মীট কম ৭ এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা টিমশিং অদুদি কম্মান্দো এফ সী, ৱাই এস এম সী তাংখম অমসুং এস ৱাই দি এনি।

ঙসি প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকখি। মদুদা মঞ্জু ইংলিশ স্কুলগী সেক্রেটরি এম দি সোইব অহমদনা চীফ গেষ্ট ওইখি। পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট বি এম জিসননা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখি। লোয়ননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবশিং অদুদি এম দি ফিরোজ, অরিফ খান, এম দি সলাম খান, অব্দুল গাফর অমসুং কে ঐচ সেরাজউদ্দিননি।

ঙসি অহানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা কম্মান্দো এফ সী অমসুং এস ৱাই এস সী লম্বা তৌনখি। মদুদা কম্মান্দো এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ কালিনা অনীশুবা হাফকী ১০শুবা মিনট অমসুং ১৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। এস ৱাই এস সী শঙাইথেলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদ্রিঙৈ অনীশুবা হাফকী ১৭শুবা মিনটতা কম্মান্দো এফ সীগী জর্সি নম্বর ৫ সকিপনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

অনীশুবা মেটচতা ৱাই এস এফ সী তাংখমনা সঞ্জেনবম এফ সীবু ২-১দা থোইখি। অহানবা হাফতা ৱাই এস এম সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চল্লগা অনীশুবা হাফতা সঞ্জেনবমনা পাঞ্জল ১ চনখি।

লোয়ননা অহুমশুবা মেটচতা এস ৱাই দি এনা শাহ ৱারিয়রবু টাই ব্রেকতা পাঞ্জল ৪-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# ফেব্রুৱারী ১৭তা ইন্দিয়ানা সর্ভিয়াগা লম্বা তৌনগনি

ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা য়ুরোপিয়ন এক্সপোজর টুরদা টর্কিগী সিটি অলানিয়াদা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচ অহুম শান্নগদৌরিবা অদুগী মনুংদা অহানবা মেটচ অদু ফেব্রুৱারী ১৭তা সর্ভিয়াগী টিমগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী হেদ কোচ ওইরিবী মেমোল রোকিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল টিম অসি মতম কুইনা লোকদাউনননা মরম ওইদুনা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নবা ঙমদনা লাকখ্রবনি। হন্দক্কী টর্কিগী য়ুরোপিয়ন টুর অসিনা শান্নরোয়শিংদা মখোয়না হৌজিক-হৌজিক শেম শাদুনা ট্রেনিং কেম্প কয়া চথখিবা অদুগী হৈথোই-শিংথোইবা অদু উখোকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা অমা চাওনা ফংলগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তাখিবদা, ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয়শিং অসি তোঙান-তোঙানবা লম্বাশিংগা মায়োক্লনবা শেম শাদুনা লৈরবনি। য়ুরোপকী টিমশিংগা শান্নগদৌরিবা অসি অরাইবা অমদি নত্তে। অদুবু মায়োক্লনবা থৌনা লৈরি হায়খি।

ফেব্রুৱারী ১৯দা রসিয়াগা অনীশুবা মেটচ শান্নরবা মতুং ফেব্রুৱারী ২৩দা য়ুক্রেনগা অহুমশুবা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচ অদু শান্নগনি।

# য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন অমদি ৱাফা মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস):

ইম্ফালগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ৬তগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ১৪২শুবা সী আর পি এফ বট্টালিয়ন লম্ফেলপাৎনা আই জি পি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সী আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোরকপা ১১শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়ল ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙ অমসুং দল্লিয়ু এ এফ এ ৱাঙ্গোই মায় পাকপা ঙমখ্রে।

নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬নিশুবা নুমীৎকী অহানবা মেটচতা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙ অমসুং গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ স্পোর্টস ক্লবকা লম্বা তৌনবা অদুদা য়ং ফিজিক য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা হেন্দুনা গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফপু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫দা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা এল ৱাই সী সী লিৱা চনিং চান্দেল অমদি দল্লিয়ু এ এফ এ ৱাঙ্গোইগা লম্বা তৌনখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা দল্লিয়ু এ এফ এ ৱাঙ্গোইগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না এল ৱাই সী সীবু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং ৭নিশুবা নুমীৎকী অহানবা মেটচতা নিশা থাংমৈবন্দ অমসুং কে ৱাই ভি ও ক্বাসিফাই লম্বা তৌনগনি। অদুগা ২শুবা মেটচতা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি অমদি এম পি এস সী শান্নগনি।

## Ph.D. DEGREE AWARDED



**Shri Ashangbam Jiten Singh** S/o (L) Ashangbam Anou Singh and Chabungbam Ningol Ashangbam ongbi Shakhi Devi of Kakwa Laishram Selungba Leikai has been awarded the **"Degree of Doctor of Philosophy in Economics"** by Manipur University for his thesis entitled "Social Exclusion in Education in Senapati District of Manipur" under Manipur University vide order no. MU/9-01/20/1548. He has ventured the research work under the supervision of Dr. Thiyam Bharat Singh, Associate Professor, Centre for study of Social Exclusion and Inclusive Policy, Manipur University.

During his research work he has published research papers in reputed journals and presented papers in national and international conferences. Also, he participated in many seminars and workshops. HL-P/8980/13

**LANLEIMA VENTURES PVT.LTD.**

+91-8431803610, +91-9362273890
lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB, Imphal East Dist., Manipur (795010)

**NOTIFICATION FOR RECRUITMENT**
Vide letter no. LVPL/REC/001-2020, Dec. 29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in Lanleima Ventures Private Limited. A Pvt. Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA New Delhi under Companies Act. 2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos. | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | General Manager | 01 | MBA (Fin.) | 18,000/- - 36,000/- |
| 2. | Asst. Gen. Manager | 01 | MBA (Fin.) | 16,000/- - 32,000/- |
| 3. | Branch Manager | 02 | MBA (Fin.) | 14,000/- - 28,000/- |
| 4. | Asst. Br. Manager | 02 | BBA (Fin.) | 12,000/- - 22,000/- |
| 5. | Project Manager | 04 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 6. | Project Consultant | 06 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 7. | Office Secretary | 01 | Graduate | 10,000/- - 18,000/- |
| 8. | Computer Optr. | 08 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |
| 9. | BDO | 120 | 10+2 | 06,000/- - 10,800/- |
| 10. | Cashier | 02 | B.com | 07,500/- - 12,000/- |
| 11. | Loan Manager | 06 | Graduate | 08,000/- - 16,000/- |
| 12. | Loan Officer | 08 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 13. | CRM | 02 | BBA/MBA | 08,000/- - 16,000/- |
| 14. | CRO | 04 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 15. | Office Assistant | 02 | XII | 06,000/- - 10,800/- |
| 16. | Recovery Staff | 48 | 10+2 | 08,000/- - 12,500/- |
| 17. | Marketing Manager | 02 | MBA Marketing | 12,000/- - 28,000/- |
| 18. | Marketing Excutive | 12 | Graduate | 07,500/- - 16,800/- |
| 19. | Loan Inspectors | 05 | 10+2 | 06,500/- - 12,500/- |
| 20. | Accountant | 02 | B.com wt. tally | 07,000/- - 12,000/- |
| 21. | Finance Executive | 15 | X or XII | 06,500/- - 12,500/- |
| 22. | Co-ordinator (Livelihoods @ Farm) | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 23. | Cluster Co-Ordinator | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 24. | Cluster Dev. Officer | 20 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 25. | PRO | 08 | 10+2 or Graduate | 06,500/- - 12,500/- |
| 26. | Pro. Dev. Executive | 12 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |

Interested Candidates may collect the application form from the Head Office of the Lanleima Ventures Private Limited located at Khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is wednesday the 10th Febuary, 2021. For more details please contact us @ Mail ID : lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Lanleima Ventures Private Limited

HL-P/8725/29/1-12/2

**DELTA ONE SECURITY SERVICE (OPC) PVT. LTD.**

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT
Vide letter no. DELTA/REC/0010-2020.Dec.29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) PVT. LTD. A Pvt Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA , New Delhi under Companies Act.2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Chief Security Officer | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Col.(Retd.) | 25000/- -38000/- |
| 2. | Security Superintendent | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Maj. | 22000/--34000/- |
| 3. | Security Officers | 02 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 4. | Security Supervisors | 06 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 5. | Armed Security Guards | 160 | X or XII | 10000/--18500/- |
| 6. | Civilian Guards | 160 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 7 | Payroll Officer | 01 | M.com | 13000/- -20000/- |
| 8. | PSO | 12 | 10+2 or Graduate | 12000/- -22000/- |
| 9. | K 9 Squads | 08 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 10. | Front Office Exe. | 06 | Graduate | 8500/- -15400/- |
| 11. | Driver | 12 | X or XII with valid Licence | 8500/- -15400/- |

Interested Candidates may collect the application from the Head Office of the DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) Private Limited located at khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is Friday the 25th Febuary,2021. For more details please contact us @Mail ID : dhrmpvtltd@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Delta One Security Service(OPC) Pvt. Ltd

+91 8431803610, +91 9362273890
dhrmpvtltd@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB,Imphal East Dist., Manipur (795010)

HL-P/8725/29/1-12/2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com